ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯨꯟ ꯱꯴, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯷꯶ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জুন ১৪, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ৭৬ শুবা মশীং

# হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্তবা

## *অশোক-অপন, অশি-অনাশিংগী থৌদাং লৈঙাক্কীনি*

*লৈবাক* অসিদা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোকশিংদা মীনিট খুদিংগী মীওই ১৭ কী পুন্সি মাঙহল্লি হায়না য়ুনিয়ন সর্ফেস এন্দ ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর, নিতিন গাদকরিনা হন্দক্তা ফোঙদোকখ্রে। মীপাইনিংঙাই ওইরবা মী শিবগী চাং অসি মহাক্না মিনিষ্টর ওইবদগী খরমখৈ হন্থহনবা ঙম্লে অমসুং অথুবা মতমদা লম্বী চৎপগী পরম য়াওনা মীয়ামবু খুদোংথীবা থোকহল্লোইদবা ট্রাফিক্কী থৌশিল অমা শেল্লগনি হায়নসু মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মণিপুরদসু লৈঙাক্কী অনৌবা থৌশিলগী মখাদা মতম অমদা লৈরক খুদিংগী দিভাইদর মপা ফাৎতোল্লগা থল্লম্বা অদু থিংখ্রবা মতুংদগীদি ষ্টেট অসিগী মরু ওইবা মফম কয়াদা থোল্লম্বা লম্বীগী খুদোংথীবশিং তপ্না-তপ্না হন্থখ্রে। অদুবু মীয়ামগী য়েংলগা দিভাইদরদা ফাৎতোক্লিবা মফমশিংদদি খম থেংনা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মফম ওইরে। কৈশাম্পাৎতগী টিদ্দিম লম্বীগী ক্বাকৈথেল রোমদা লাকপদা কিলোমিটর অমরোম দিভাইদরদা লান্থোক-লানশিন য়াহন্দ্রবা তুংদা হোদাম লৈরক মপাদা লান্থোক-লানশিনগী মফম শেল্লগা থল্লি। হায়রিবা মফম অসিদা নোংমগী মনুংদা অহুল্লক্তগী তাদনা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোকশিং থোকই। অয়াম্বা থৌদোকতি লম্বী লান্থোক-লানশিন তৌবদা গাড়ীগা গাড়ীগা থেঙ্গাইনবা, মনাক্তা খোঙ্না চৎলম্বা মীওই তকখাইরম্বনচিংবনি। হায়রিবা মফম অসি কয়ামুক য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবগে হায়ববু কৈশাম্পাৎলোমদগী লৈমজম লৈকায়, জেলর লৈরক্লচিংবদা চৎননবগীদমক লাকপা মখল খুদিংমক্কী গাড়ীশিং দিভাইদর অসি ফাওরগা চত্তবা য়াদে। জেলর লৈরক নৎত্রগা লৈমজম লৈকায়রোমদগী হোদাম লৈরক্লোমদা চৎকে হায়রবসু কৈশাম্পাৎলোমদা কোয়রগা চৎপা তনবদগী সাইদ লান্না গাড়ী থৌজিল্লগা দিভাইদর অসিদা ফাওরগা চৎলি। মতৌ অসুম্না সেগা রোডলোমদগীসু, তখেল্লম্বম লৈকায়রোমদগীসু মশীং য়াল্লবা গাড়ীশিং সাইদ লান্না-লান্না থৌজিল্লক্লগা হোদাম লৈরক মপাগী দিভাইদর অসিদা ফাওদুনা চৎনরকই। মরম অদুনা হোদাম লৈরক মচিন অসি মীয়ামগী মঙফম ওইরে।

মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফমদা কৈশামথোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ লাইসোম ইবোমচানা মীয়ামগী য়েংলগা পুখৎলকখিবা ৱাফম অমা হোমগী থবকসু পুরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়না থাজবা পীখি। এম এল এ ইবোমচানা পুখৎলকখিবা ৱাফম অদু অতৈ করিসু নত্তে, টিদ্দিম লম্বীগী হোদাম লৈরক মপাদা লম্বী লান্থোক-লানশিনগীদমক ফাৎলিবা মফম অসিদা ট্রাফিক পুলিস থম্বীয়ু হায়বসিনি। ইম্ফালগী জেনরেল পোষ্ট ওফিসতগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ফাওবগী ইন্দো-বর্মা রোড মতেকসিদা হোদাম লৈরক মচিনগী অসিগুম্না গাড়ী এক্সিদেন্ট থোকপা য়াবা মফম ইরে লৈতে। লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক থোকপা হায়বসি মীওইবা ঐখোয়না ট্রাফিক্কী রুল ঙাক্তবা অমসুং লৈঙাক্লা খুদোংথীবা থোকহন্দনবা হোৎনবগী চাং নেম্বদগীনি। অসিগুম্বা খুদোংথীবা থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা হন্দক্তসু ট্রাফিক পুলিস এস পি অমগী মখাদা লৈহল্লগা থবক পাঙথোক্লনবা ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখিবা লৈখ্রে। হান্নদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন, পি দব্লিয়ু দি অমসুং ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা মপুঙ ওইবা থৌদাং লৌরগা পুলিসনা মমিংখক্তগী ওইনা লো চৎনহন্নবা তৌরম্বা থবকশিং হৌজিক্তি ট্রাফিক পুলিসনা তৌরগনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোকশিংদা মীশি-মীনা, অশোক-অপন থোকহন্দনবা লৈঙাক্লা লুপা ক্রোর কয়া চাদিং তৌদুনা থবক পায়খৎলি। ট্রাফিক জাম হন্থহনবা, অপনবা, অথিংবা য়াওদনা লম্বী চৎপা য়ানবা মখল কয়াগী থৌশিল শেল্লি। অসিগুম্বা থৌশিলশিং অসিগী মখাদা হোদাম লৈরক মচিন্দা ট্রাফিক পুলিস অমখক অয়ুক, নুংথিল, নুমীদাংৱাইরমদা থম্বীয়ু হায়বদা লৈঙাক্লা থমদ্রিবসিগী মরম করিগীনো? বি টি পার্কতা দিজল ওটো রিক্সো ময়াম পাননবা, লুপা ১০/১০ ফংহৌনবা ট্রাফিক পুলিস পার্সনেল কয়ামরুম থম্বদি ঙল্লগা ঙাইহাক লৈতনা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙলিবা অমসুং নাম্মা শোয়বা পুন্সি মহিংদা হিংহল্লিবসি কোকহন্ননবা পুলিস পার্সনেল অমখক্তং খায়দোল্লগা থম্লিংদ্রিবা করিগীনো? ৱাফম অসি মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা য়ৌনখ্রবনিনা অশোক-অপন য়াওরকপা, মীশি-মীনা থোল্লকপা খুদিংমক্কী থৌদাং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমগীনি হায়দবা ঙম্লোই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

# হন্দক্কী ম্যুনিসিপাল ইলেক্সন

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মহৌশাগী** ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেমব্লি অমদি পার্লিয়ামেন্টকী মীখল অমদি অতৈ মীখল খরদা পৈশা য়াম্না চংনবগুম তৌবসি মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা অথোইবা ওইনা তৌরম্মী। ফীভম অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌরাং অমনা এম এল এ নৎত্রগা কাউন্সিল্লরনচিংবা লেপ্পবদা পৈশা অদুক্তগী হেন্না চঙদনবা হায়বা পোলিসিদা লৈঙাক্কী ওবজার্ভর কয়া থাদোক্তুনা মীরেপশিংনা পৈশা কা হেন্না চাদিং তৌদনবগীদমক্তা য়েংশিন্নবা মতৌ হৌখ্রবনি। খোঙথাং অসিমক্তি চেদা অমদি চিন্দদা ফজবা মতৌ ওইরি। মসি তশেংনা ওজবার্ভরশিংনা চেৎনা য়েংশিন্দুনা হোৎনবিরবদি শোয়দনা ফজরগদবা দিমোক্রেসিগী ফীদমদা তমজনিংঙাই অমা ওইগদৌরিবনি। মরমদি মসিনা মতিক চারবা লাইরিক লাইশু হৈরবা লৈবাক্কী সেবা তৌজনিংবা মীওই কয়া অঙম্বা পৈশা খরনা অমদি প্রজা কয়ানা শেল খায়নদুনা খুদোল পোৎ পীদুনা মাবু কাননবা হোৎনবদা মতেং পাঙশিনবীগদবনি মরমদি মহাক তশেংনা ফরবা মীনি। অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ওবজার্ভর কয়া থাদুনসু ভোট লেপ্লিবা মীদুগী ইনকম কা হেন্দনবা হোৎনরবসু ভোটকী মতমদা লুপা খাউজাও খাউজাও পুদুনা চৎপদা ফাবনচিংবগী পাউ ফাওবদি তাখ্রে। অদুম ওইনমক ভোটকী শেল য়েনবদি ঙসি ঙসিনা অমুক হেন্না য়েল্লি। মরমদি ঐদি মদুগী পার্টিনি, লায়রবা পার্টিগী কেন্দিদেটনি, প্রজানা শৌগৎপীয়ু হায়দুনা খুরুমদুনা চামঙা চৎপী য়েনশিল্লরি। মদুবু লৌহৌদবদি য়াদবনা অদুম লৌই। পার্টি অমা পাল্লবসু, কেন্দিদেট অমা পাল্লবসু মৈতৈদি মীনুংশি খঙবনিনা ইমুং অমদা পার্টি অমতগী খন্দনা য়েন্নরগা মরী মতা নৎত্রগা মরুপ মপাংদা অদুম থাদৈ। নরেন্দ্র মোদিগী করপসন থিংবা হায়বা ফজরবা খোঙথাং অসি য়াম্না ফজবা লৈবাক্কী য়াইফনবনি। অদুবু মথং চৎথরকপা ভোট মতমদা ভোটরশিংনা ভোট থাদবদা পৈশা লৌদনবা পোলিসি কয়া লৈঙাক্লা পুথোল্লবসু মদুমক চৎথবা ঙম্বা ওইগদ্রা হায়বদুদি য়েংবা তারি। মরমদি হন্দক্কী ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ভোটসু অদুমক শেল চখাইবগী মওং লৈবনা করপসন হায়বসিদি অদুম লৈরি, লৈখিনি।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯

১। কবি চাউবনা শৈরেং ঙাক্তগী লাইরিক অমখক্তং ইরম্মী। মমিং করি কৌই?
২। 'রোহিনী' উপন্যাস কনানা ইবনো?
৩। কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা ৱারেংগী লাইরিক অমখক ইরম্মী। মমিং করি কৌই?
৪। 'কপালকুণ্ডলা' মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৭, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা হোস্পিটাল # ২

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল**

**মীয়াম্না** পাম্নবা ডাক্তর অমগী অশেংবা মচৎ ওইহন্নিংবদি মশানা তৌরিবা শিনফমদা মতিক চানা খঙ হৈবা ডাক্তর মা মঙাইরে হায়না অচাউরম কাদবা; ডাক্তরগী শিনফমদি অশোন অনাবশিংবু ফজনা লায়েংবিরগা হান্নগী নাদবা ফীভমদা, য়াদ্রগনা ময়া নক্লা ফহনবিবদা পূক্লিং চঙবিবা; ডাক্তর লাক্কনি নৎত্রগা লাক্লে হায়বদা অনাবগী পূক্লিং ৱাখল লুমথহনবা ঙম্বা মদুদা মীনুংশিগী থৌওং খরা চানবা মওংদা উৎপীরম্বা; অনাবা অমদি অনাবগী মতেং পাঙলিবশিংনা ডাক্তরগী মফমদা অনাবা মশানা ৱা ঙাঙবা ঙমদবা/ভাব তাদবদা অনাবদুগী মরমদা ৱাফম খরা হঙ্গৎচবদা নৎত্রগা খঙজনিংবা মরম খরা থমজবদা পূক্লিং চঙনা তাবিবা, হেক্তমক য়ৈথৎনবা তৌবিদবা; লায়রবা-ইনাক খুনবা থিদনা মীচং শঙ্গ য়েংদনা পুকচেল শেংনা লায়েংবিবা, অনাবশিংদা পূক্লিং থৌনা হাপ্পীবা অসিনচিংবা খরসি পনবা য়াই। হায়রিবা খরসি লৈঙাক্কী হোস্পিটালদা নৎত্রগা লন্নাই ওইনা ময়ূমদা/লন্নাইগী হোস্পিটালদা তৌবসু ময়াওই, তৌদবসু ময়াওই। মরমদি ডাক্তর অমগী মনাক্তা অনাবা মী মশাগা লোয়ননা অনাবদুগী মতেং পাঙনবা চৎলিবা মীশক অনীমক অহানবদা য়াম্না থাজবা থল্লগা চৎচরিবনিনা লায়র-ইনাকখুনবা থিবিদনা চপ মান্নবা ৱাখলদা ফনবা ডাক্তর মশাগা মরী লৈননা খঙজবা মওংদা লায়েংবিরক্কনি হায়বসিনি। মশাগা (ডাক্তর) চান্নদবা/ঙম্লোইদবা অরুবা ফীভম ওইরগনা মতম চানা ডাক্তরনা অখঙবা কনাগুম্বা ডাক্তর/হোস্পিটাল অমদা রিফর তৌবিগনি হায়বসিসুনি। অশোন-অনাবশিংবু অমদি হীরমসিদা খঙজদবশিংবু মীনুংশিগা লোয়ননা লায়েংবিবগা লোয়ননা লমজিং লমতাকপীগনি হায়বা ৱাখল্লোনদুনি থমজরিবা ৱাফমদি। মসিগী মতাংদা অশেংবদা থোকখিবা শল্লপ্পা ৱারী মতেক খরা পূন্না খঙমিন্ননবা লীজগে।

ইশাদা হকথেংননা থোকখিবা কুমজা ১৯৭৯ গী অরিবা ৱারীসিনা অহানবা ওইনা থমজগে। পোষ্ট গ্রেজুয়েট দিপ্লোমা ইন ব্যুজিনেস মেনেজমেন্ট হায়দ্রবাদতা তম্লিঙৈদো পরিক্ষা ময়া নকশিল্লক্লবা মতমদা ইখঙ খঙহৌদনা চানিং-থক্লিংদবা ফাওরকপগা লোয়ননা ইশা খঙশোন শোন্থরকপা, থাউ নৎত্রগা মনম চেনবা পোৎশিংগীদা ফাওবা হন্দোক্লিংবা ফাওরকপা, খুজিলদা নাপু মচু (হঙ্গামপাল) কারকপা, মোজাফুরিৎতা ফাওবা নাপু মচু তৈরকপা, মপান থোকপদা য়াম্না নংবা হঙ্গামপাল মচুগী মওং অথুবা মতমদা ওইরকপদা - হান্না মতম খরগী মমাঙদগীবুদি চানিং-থক্লিংদবা ফাওরল্লবসু অশাবা লমদম ওইবনা তৌব্রা খন্দুনা লৈরম্বদু য়ারক্তবদগী মতমদুদা রুমমেট ওইনা লৈমিন্নবা ইমান্নবা অমনা অথুবগী ওইনা রিক্সো অমদা তোংমিন্নরগা অনকপদা লৈবা অমেরিকান ডাক্তর মতৈ মনাও অনীনা চলাইবা লনাইগী হোস্পিটাল অমদা লায়েংবা চৎপদা অমেরিকান ডাক্তর অনকলদুনা উৎলকপা/তৌরকপা লায়েংবগী মতৌদু হন্দক্তা ইশাদা অনাবা অমগীদমক ওপরেসন তৌবা মথৌ তারকপদগী রিমস হোস্পিটালদা থা অমরোম ফানিংচিৎ লৈবা মতমদা নৌহৌনা খঙনিং নীংশিংলকখিবগী পাউদমনি থমজরিবসি।

মতমদুদা ঐনা (অইবা ইশানা) রিক্সোদগী কুমথবা ফাওবদা ঙমদনা য়াম্না ৱানা ঐগী মরুপ্না মতেং পাঙবদা রিক্সো দ্রাইভরসু য়াওনা তৌবদু করম হায়না অনকল ডাক্তরসিনা উবনো খঙদে, মশামক মপান্দা থোরল্লগা ৱাঙ চাউরবা মহাক্না ঐবু থাংবোই কোনবোই তৌরগা মনুংদা পুশিনবিরগা ফমুং অমদা তপ্না হিপথহল্লি। অদুদগী গ্লুকোজগুম্বা অথুম্বা মহি গ্লাস অচৌবা অমা পীথকই। মহাক মশানা মায়দা পকপা হুমাং অদু তপ্না তপ্না অমোনবা অঙৌবা মচুগী ফি অমনা তৈথোকপীরগা ঙহাক অমুক পোথাহল্লি। ঙহাক লৈরগা অনকল ডাক্তরসিনা করি করিনো হীদাক মহী খরসু পীথকই। চাওরাক্লা পুষ্খায় অমরোম লৈরগা হকচাং খরা কনখৎলক্লবা মতুংদা অনকল ডাক্তরগীদা লৈরম্বা হীদাক মহী (শিরপ) খরসু লেম্না পীরকই অদুগা তপ্না চেকশিন্না চৎলগা কাদা তুমিন্না পোথানবা হায়বগা লোয়ননা তুংদা মহাক মশানা কোনখৎপীরগা, ইমান্নবদুনসু ঐবু তুদনবা শেন্নহল্লগা ফোর্মেল দ্রেস ওইনা লিংলম্বা ফুরিৎতু শৎ তাখৎলগা য়াম্না তপ্না হায়রকই Look here, all the rib bones on my chest had been broken on a Car accident when I was about 35 years old. Now I am about 60 years old. You are just like as my son. You are quite young and energitic. I am an old man but still now I think myself as a young and energitic man like you. Don't get frustrated you are ill. Be comfortable. Think as if you are quite energitic young man." ৱাহৈ খরসি হায়রগা মহাক মশামক্লা ঙহাক লম মতেক অমা কন্না হঙ্গৎ হন্দা চৎ, হৌগৎ ফমদা তৌরগা হৌজিক ফাওবা অনকল অমেরিকান ডাক্তর মশা কল্লি হায়বগী থৌনা/মওং উৎলগা য়াম্না শোন্থরবা ঐবু শোন্থবদু কাউথোকহন্নবা পূক্লিং থৌগৎপীদুনা থৌনা হাপ্পীরকখি।

হল্লমদাইদা চেকশিনৱা ওইনা - "Atleast two months complete rest, avoid any oily and intoxicated things/substance as far as possible before and after recovery for sometime, take glucose regularly, continue the prescribed medicine and come after 3 weeks" হায়রিবশিংসি থম্বীরকখি।

খ্বাইদগী হেন্না পেঞ্জখিবদি ঐনা ঐগী মরুপ্তা ফী পীনবা ঐখোয়গী লোলদা হায়বদা মহাক্কী (অনকল ডাক্তর) ৱাংলবা সাইকোলোজিনা খঙখিদুনা মখা তানা অমুক হায়রকখি "You are just like as my son. You don't try give me insult by paying fees/tips of any kind. Instead, you go to your room gently and take rest there. Then you will be o.k. Don't forget to come after 3 weeks" অনকল অমেরিকান ডাক্তরগী মিরাকলগুল্লবা মাগী ফজরবা লায়েংনা ঙহাক্কীদা নত্তনা মতম চুপ্পদা শোন্থরবা/শোন্থরকপা মতমদা খরা কনখৎপগুম খল্লকপা ঙম্বদগী খোঞ্জেল হৌনা "Thank you very much uncle" হায়বদা "Yes, alright" হায়রকপগা লোয়ননা নঙ্গন্দা পোপ পোপ নুংশিনা থারগা অহানবদা তৌখিবা অদুম হায়না ঐবু (অইববু) মপান ফাওবা শল্লগা থিন্দোকপীরকখি। হোস্পিটালদুদা হান্না লৈরম্বা পেসেন্টশিংদু ঙক্লা য়েংদুনা লৈহৌখি।

অনকল অমেরিকান ডাক্তরসিদগী তম্বা য়াবদি অনাবগী সাইকোলোজি হান্না ফজনা খঙবদগী লাক্লিবা অনাবসি হায়বদি মতমদুদা (আইবা) ইশাসি মহৈরোয় অমনি, ইশা য়াম্না শোল্লে, অশোনবসি কাউথোকহন্নবা করিগুম্বা খরদি তৌবিবা/হোৎনবিবা তাই, অথুবদা তৌবিবা য়াবা খরা তৌরগা লায়েংবিগদবা ডাক্তর মশানা লায়েংবিরগা ফহনবা ঙমগনি থাজহনবা তাই/চঙই, ফীভমগী মতুং ইন্না লয়েংবা লাক্লিবা মীদুগী অরৈ লৈতগী ৱাখলসু খরা খনবিবা চঙই হায়বসিনি। হায়রিবা খুদিংমকশিংসি অনকল ডাক্তরসিদা লোয়নমক য়াওই, চেল্লি। পরিক্ষা মতম ওইরকপদদি ইশাদি ফজনা ফবা নৎত্রবসু অনকল ডাক্তরগী পাউতাক ইনবদগী মতমসু মাঙহন্নিংদবদগী পরিক্ষা থাখিবদু লোইশিল্লগা য়ূমদা হল্লক্লমদাইদা অঙ্গুর অমদি শেম খরা পুরগা অনকলগী মনাক্তা চৎলুবদা অহানবদা য়াম্না হরাউ হরাউনা লৌশিনবীরগা, তঙ্খায় অমা খরা হেন্না, চানবা হায়রগা পীরকখি। ত্রেন জর্নিদা চাবা থকপদা চেকশিন্নবা ফজরবা পাউতাক কয়াসু পীবিরকখি। ডাক্তর অমা ওইনা তৌফম থোকপদগী থোইদোক হেন্দোক্লা তৌবিরকখিবা থৌওংসিবু করম্বা মীওইনা পুন্সিদা কাউবা ঙমগদগে। হৌজিক ফাওবা হিংলমগনি থাজদ্রবা অনকল অমেরিকান ডাক্তরবু হন্দক্তা রিমসতা ইশা ওপরেসন তৌবা মথৌ তারকপদগী চৎপা অমদি হল্লকপদা খঙনিং নীংশিংলকপদগী থিংঙমদ্রবা ৱাখলগী ইহুলদগী ডাক্তর অমদি অনাবা অনীগী মরক্তা লৈহন্নিংবা ৱাফম খরগী মরমদা মথং মথং খরসু ইজরক্কে।

> *'ডাক্তর অমগী মনাক্তা অনাবা মী মশাগা লোয়ননা অনাবদুগী মতেং পাঙনবা চৎলিবা মীশক অনীমক অহানবদা য়াম্না থাজবা থল্লগা চৎচরিবনিনা লায়র-ইনাকখুনবা থিবিদনা চপ মান্নবা ৱাখলদা ফনবা ডাক্তর মশাগা মরী লৈননা খঙজবা মওংদা লায়েংবিরক্কনি হায়বসিনি। মশাগা (ডাক্তর) চান্নদবা/ঙম্লোইদবা অরুবা ফীভম ওইরগনা মতম চানা ডাক্তরনা অখঙবা কনাগুম্বা ডাক্তর/হোস্পিটাল অমদা রিফর তৌবিগনি'*

# রতনদা শীরিবা মরাল চুম্লিব্রা?

খঙদোকমিন্নসি অমুক্তা ঃ ৩৮০

**হাওবম প্রিয়োকুমার**

**লৈ** মখল, শা-উচেক মখল কয়াবু মালেমসিদগী মাঙখিদনবা, কাঙখুল মুৎখিদনবা অঙম্বা থাক্তা মালেম পূম্বনা হোৎনরি। অদুগা মালেমসিদগী কাঙখুল মুৎখিনবগী লম্বীদা খোঙ থাংজিনবা হৌরক্লবা মণিপুরী য়েলহৌমীবু কঞ্জনবা হোৎনরকপদা লূম্না লৌবিদবা, মাঙখিবা-মুৎখিবা য়াবগুম্বগী থৌওং অমদা চঙশিল্লকপগুম উরি। ঐখোয়সু লৈগী মপোক্তা পোকচরল্লবদি হৌজিক নংলিবা, মায়োক্লরিবা খুদিংমক অমত্তা লৈরল্লোই। মমাঙগী চহী ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩১ দা এসেমব্লিদা পাস তৌখিবা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমগী বিল অহুমবু এক্ট ওন্থোক্লবা জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সি আই এল পি এস) না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লি। চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মখল-মখাগী অয়েৎপা, অপনবা পীদুনা লৈরি। ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমনা চৎকদবা লম্বীদা খঙবা-খঙদবা, অচুম-অরান অমত্তা থিগৎলুবা তৌদনা চাউরবা শাংলবা ৱা অমনা থা নিপানগী মথক্তা ফৈজিন্দুনা থল্লক্লি। মদুমক্লা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনবা য়াদদুনা লৈরি। তঙাই ফদনা ৱাদু লৌথোক্তবা ইয়ামক য়াদ্রি। ৱা ফৈজিল্লিবা অসিগী মওং-মতৌ অদুসু মরৈ য়েৎনবদা হায়রগা 'কংয়েৎ' হায়বদুগী মমি নীংথিনা তারি। শম্না হায়রবদা 'অদোইসু' হায়বদুদা তারকপগুল্লি। সিষ্টেম অসিবু চৎপা য়ানবা ৱা অদু লৌথোকপা হায়বসি লৈঙাক্কী মথৌনি। অদুবু মদুদা মীৎয়েং থম্বগী মমিদি তাদ্রে।

অসিগুম্বা চিরবা মৈজাউ হৌরবা মতমসিদা জে সি আই এল পি এসকী কনভিনর খোমদ্রাম রতনবু সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ওইদ-পাদবা শেমজিন-শাজিনবা অমদা য়ূম্ফম ওইরগা লৈঙাক্লা, পুলিস দিপার্টমেন্টনা ৱান্টেদ লাউথোল্লক্লি। রতন য়াওদ্রবদি জে সি আই এল পি এসকী ঈহৌ তপথজখিগনি, অরোইবা ওইরকখিবসু য়াই খল্লগা শেমগৎলকপা প্লোট অমা ওইরম্বসু য়াই। মদুদি ক্লাস থ্রি তম্লিবা অঙাং অমগী ৱাখলনি। মা মথন্তা লৈবা নত্তে, মা মথন্তনা পংতৌ তৌবা য়াবা নত্তে, য়াওরিবা 'জোইন্ট কম্মিটি' হায়বগী ৱাহন্থোক খঙহন্নীংই। অসুম্না ওইদ-পাদবা কয়ানা য়োমশিল্লগা ফাখি-পুনখিবা তারবদি খোঙজং তপথবদি লায়রদনা হেন্নদুম কনশিল্লক্কনি। অদুগী মথক্তা রতনগীদমক পুমতোপ তোপ্পা খোঙজং অমমুক মরা তারক্কদৌরিবনি।

সোসিএল মেদিয়া, ফেসবুক, ৱাটসএপনচিংবদা রতননা য়ুনাইটেদ নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) কী ফিরালনি হায়বা অমা পায়রগা ৱাশকপগী থৌরম য়াওবা থেংনরি। মদুনা খুদম-চাংদম ওইরগা লৈবাক অসিগী লোনা অথিংবা থমখ্রবা য়ু এন এল এফকী মেম্বর ওই হায়বগী মিংদা লৈঙাক্লা করিগুম্বা অমত্তা থিগৎলুদনা, ফানবা হোৎনরুদনা রতনবু ৱান্টেদ লাউথোল্লককখি। মণিপুরদা সোসিএল মেদিয়াদা মীগী পুন্সি শোকপা য়াবা, মাঙবা য়াবা মখল কয়া-কয়াগী শেমদোক-শাদোল্লবা ফোটোনচিংবা থাগৎনরক্লি। মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টদা সাইবর ক্রাইমগা মরী লৈনবা খুদিংমক চপ চানা থিগৎপা ঙম্বা হৈথোই-শিংথোইরবা মীওই কয়ানা মদুশিংদুবু হেক-হেক থিগৎলগা শেমদোক-শাদোল্লগা থাগৎলক্লিবা মীওইদুবু, মীওইশিংদুবু মখোয় মখোয়না ফংফম থোকপা চৈরাক পীদুনা লাক্লি। অদুবু রতনগী মতাঙদদি মদুমক্তি থোকখিদ্রে। তাইবংপান শেবাৎনবা হায়বদু ওইখ্রে। শেমদোক-শাদোল্লগা হাপ্লক্লিবা ফোটো রতনদা ওইনা চৈরাক পীশল্লক্লি।

লোগী মায়কৈদা চঙশিনখিবদা - হান্না মণিপুর লৈঙাক্কী এদিসনল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস ওইরম্বা হৌজিক্লা হায়কোর্টকী উকিল অমা ওইনা লৈরিবা অহন্থেম রোমেনকুমারনা এফ আই আর পাল্লগা হেক নোংঙাল্লগা মী অমবু ৱান্টেদ হেক্তা লাউথোকপা চৎনবা য়ারোই। ৱান্টেদ লাউথোল্লবগীদমক প্রোসেস তৌবদা য়ামদ্রবদা থা অহুমদগী তরুক ফাওবা চঙই হায়না প্রিন্ট এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মসিসু থমখ্রসি। লো হায়বসিদি লোনি, লো চৎনবা লমগী ৱানি। মণিপুরদি লো চৎনদবা লমনি হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনবা হৌরক্লবনি। মী অমবু ৱান্টেদ লাউথোকপা হায়বসিমক্তবু ফানবা হোৎনবা য়াবা হোৎনরবা মতুং ফাবা ফংলক্ত্রবা, ঙম্লক্ত্রবা মতমদতা লাউথোক্কদৌরিবনি। করম্বা মতমদা রতনবু ফানবা হোৎনবা লৈখিবগে? মখোয়না ৱান্টেদ লাউথোকখিবা নুমিৎ মেগী তাং ২ দদি মাদি জে সি আই এল পি এসকী ওফিসতা পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লৈ। নীংশিংবা য়াবদি - মমাঙঙৈ অরাম্বম সমরেন্দ্রনা মীরোৎ তাখ্রবা মতুংদা মানা ইবা দ্রামা কয়া এরিয়ান থিএটরদা শান্নখি। মতমদুদা সমরেন্দ্র লাক্কদ্রা হায়বগী ৱাখল্লোনদ্রা হায়বদুমদি খঙদ্রে, ফিজম শেৎপা হৈথোই-শিংথোইরবা পুলিস পার্সনেলশিংনা এরিয়ান থিএটর অদুৱাইদা চায়দুনা লৈখি হায়বগী ৱারী লৈখি। অদুগা জে সি আই এল পি এসকী খোঙজং চঙশিল্লিবা মনুংসু ওইরিবা মসিগী ওফিসতা মখোয়না পাল্লিবা মীশক্তুসু লৈরগা করিগী ফাহৌদে? ওফিসতু অরাপ্পা চীংনুং-মানুংদা লৈবা নত্তে, কৈশাম্পাৎ সেগা রোদতা লৈবনি। অদুক হৈথোই-শিংথোইরবা মণিপুরগী পুলিসশিংনা মদুবু করিগী খঙদ্রিবনো?

মণিপুর লৈঙাক্তি টেবলদা লৌ উবনি, পুখ্রি তৌবনি অসিনচিংবা কয়া মীয়াম্না হায়নদুনা, খঙনদুনা লাক্লি। মদুমক মায় ঙাকপা ওইনা পুলিস দিপার্টমেন্টনসু টেবলদা মী থিবা খোৎপগী থবক চখরব্রা হায়না হংনীংঙাই ওইরি। ঈশিং-ঈচাও, মৈহৌ-লাংপোক, য়ুহা হাবনচিংবা মতমদদি মদুগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং টেবলদা লৌখৎপীরক্তবা হায়না মীয়াম্না লাই খুরুম্নরিবনি। হৌজিক ওইরক্লিবদি সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ফোটোদা য়ূম্ফম ওইরগা খন্থ-থিগৎপা অমত্তা তৌদনা হেক্তমক এক্সন লৌখৎলকপা হায়বসিদি লানগনি। মতমগী মী ওইবা অমা চঙলি। ফোটোদু ওইহন্নিংবা মওংদা শেমদোক্লিংবা অপাম্বা মওংদা শেমদোকপা য়াখ্রে। থাগৎলকপা খুদিংমক খুদক-খুদক্তা এক্সন লৌগদবা লৈরবদি ফোরেন্সিক সাইন্সকী এক্সপার্টশিং লৈবগী মথৌ তাদ্রে। সাইবর ক্রাইমগী সেল হাংলুবগী মথৌসু তাদ্রে।

অমনা রতননা পায়রিবা ফিরালদু চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা অমুক পায়রগা মাসু মখূৎ থাঙ্গৎলগা ৱাশকপগী ফোটো অমসু সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা থেংনরি। মসিদদি পুলিস দিপার্টমেন্ট মিৎ পুমতাং তাংলব্রা? ৱাশকপদু রতননা হানব্রা, ও ইবোবীনা হানব্রা হায়বদুমদি খঙদ্রে। অদুনা রতনদা লৌখৎলিবা এক্সন অদুমক ও ইবোবীদা লৌখৎফম থোক্লি। ইবোবীগী মথক্তসু এক্সন লৌখৎলোয়দবগী মরম লৈতে। আইন হায়বসিদি অচৌ-অশাং খায়ফম থোক্তে। থাগৎলক্লিবা ফোটোশিংসিগী মতুং ইন্না রতন অমসুং ও ইবোবী অনীমক লালহৌলূপ্তা য়াওরে হায়বসি চুল্লে, চেনবা য়াদ্রে। অদুনবু রতনগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা লৌখৎখ্রে। পুলিসনা ও ইবোবীগী মতাংদা খূৎ নীকফম থোক্তে। চীফ মিনিষ্টর ওইজরবসু লালহৌলূপ য়াওরল্লবদি, ওইরল্লবদি ফাবা তাবনি। নৎত্রগদি অচৌ-অশাংশিং মথং মথং লালহৌলূপ্তা য়াওখ্রবদি করি ওইগনি? য়াম্না নুংঙাইরিবা অমনা রতননা পায়রিবা ফিরাল অদুদি য়ু এন এল এফকী ফিরাল নত্তে। অমুকসু ফিরাল পায়দুনা ৱাশকমিন্নরিবা অদুদা য়ু এন এল এফকী য়াম্না মরু ওইবা মী য়াওরি। মাদি ফাখিবা চহী তরুক মুক ফাজিনখ্রে হায়রি। য়ু এন এল এফকী ফিরাল নত্তবদুদা মতৌ করম্না মানা পায়রগা ৱাশক্কদৌরিবা? অদুনা ফোটো অসিদি শেমজিন শাজিনবনি হায়বসিমদি লায়না খঙবা ঙম্লি। নীংতম লাঞ্জংদা চহী য়াঙ্খ্রে হেঞ্জিনখ্রবা য়ু এন এল এফকী ফিরালবু মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা খঙলমদবা হায়বসিমদি ঙক্তবা ঙমদে। হন্দক রতনগী ৱাথোক অসিদি চঙশিন-চঙশিল্লগা, কুমথ-কুমথরগা ময়াং ইম্ফাল তোন্বী, বাবু, চাউবা ঙাক্তনা পীক থল্লম্বগুম থোক্লরি। কায়দে মণিপুর লৈঙাক্লি। হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংদি লাইথি শান্নবা হায়বদু খঙজদ্রবনি। অদুবু ইরায় লায়না লাইথি শান্নবা হায়বদু মণিপুরনা চখরিবা লৈঙাক অসিগা চপ মান্নে, অসিনি হায়না তাকপা য়ারকপগুল্লি।

য়ু এন এল এফকী এনরোলমেন্ট রেজিষ্টরদা রতনগী মিং য়াওদে লোয়ননা মহাক লূপ অসিগী কাদর নত্তে হায়না য়ু এন এল এফকী মায়কৈদগী ফোঙদোকপা লৈখ্রে। লোয়ননা ওইরক্লিবা মওং মতৌ অসিনা রতন লালহৌলূপকা মরী লৈনদে, য়াওদে হায়বদু তশেং তশেংলে। মী শিবা য়াবা ওইদ পাদবদা য়ূম্ফম ওইরগা নেসনল পেপর ইন্দিয়ন এক্সপ্রেস, দ টেলিগ্রাফনচিংবদা হীরমসিগী মতাংদা শরা শানখ্রবনি। অদুনা মখোয়গী মথক্তা দিফেমেসন চার্জ শোয়দনমক্কী তৌফম থোকই। লোয়ননা মণিপুর পুলিসকী মথক্তসু চার্জ অসিমক থম্ফম থোক্তব্রা? হৌজিক্তি রতনগী মথক্তা লৈঙাক্লা থল্লিবা, শীরিবা মরাল পূম্নমক লৌথোকপীরো। অদুগা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলক্লিবা রতনগী, ও ইবোবীনচিংবগী ফোটোশিংদুবু মতৌ করম্না শেমদোক-শাদোকপা অমদি থাগৎলক্লিবা মীওইদু চীংমী অমগী মিংদা থাগৎলকপা ওইরি, নৎত্রগা চীংমীগী মিং শীজিন্নরিবা মীশক্তুবু ওইরো কনানো গধানবু ওইরো মরীক চুম্না থিদোকপীরগা মাবু ফাগৎলগা মতুং মনাও মখূত্তু লেঙলক্তনবা মীমাঙ থোক্লা মতিক চাবা চৈরাক পীবিরো।

> *'লো হায়বসিদি লোনি, লো চৎনবা লমগী ৱানি। মণিপুরদি লো চৎনদবা লমনি হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনবা হৌরক্লবনি। মী অমবু ৱান্টেদ লাউথোকপা হায়বসিমক্তবু ফানবা হোৎনবা য়াবা হোৎনরবা মতুং ফাবা ফংলক্ত্রবা, ঙম্লক্ত্রবা মতমদতা লাউথোক্কদৌরিবনি। করম্বা মতমদা রতনবু ফানবা হোৎনবা লৈখিবগে? মখোয়না ৱান্টেদ লাউথোকখিবা নুমিৎ মেগী তাং ২ দদি মাদি জে সি আই এল পি এসকী ওফিসতা পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লৈ'*